# ফার্ষ্ট আইএনবিএ ইন্দিয়া নেসনেল চেম্পিয়ন্সিকী জুনিয়র কাংলুপ্তা সিলভর মেডল ফঙলকখ্রবা গোঞ্জালিস ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ঃ
থা অসিগী ১৩ দা ইন্টরনেসনেল নেচরেল বোদি বিল্ডিং এসোসিয়েসন (আইএনবিএ ইন্দিয়া) না শীন্দুনা বেঙ্গলোরগী ভসানথ নগরদা পাঙথোকখিবা ফার্ষ্ট আইএনবিএ ইন্দিয়া নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ গী জুনিয়র তোল কাংলুপ্তা সিলভর মেডল ফঙলকখ্রবা চবুংবম গোঞ্জলিস সিংহবু শগোলবন্দ মোইরাং লৈরক নেপ্রা মেঞ্জোরগী মীওইশিংনা শীন্দুনা ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।



সিলভর মেডল ফঙলকখ্রবা চাবুংবম গোঞ্জবিস অসি চবুংবম রোমেস সিংহ অমদি চবুংবম ওংবী রানিবালা দেবী অনীগী মচানুপা অনীগী মনুংদা অতোম্বনি। মহাক অসি ইন্সট্রক্টর আর কে রাকেসকী মখাদা মশান্না অসি শান্নরকপনি। গোঞ্জলিস অসি খুরাই কোন্সম লৈকায়দা লৈবা কংলৈপাক মেদিকেল এন্দ ননর্সিং ইন্সষ্ট্যুটতা বিএসি নর্সিং থার্দ ইয়র তম্লিবা মহৈরোই অমনি।

# এন্দ্রিয়ু লোটজেম নেসনেল বেদমিন্টনদা ব্রোঞ্জল লৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ঃ
হৌখিবা ওক্টোবর ৯দগী ১৫ ফাওবা পাটনাদা পাঙথোকখিবা জোনেক্স সনরাইজ ওল ইন্দিয়া নেসনেল রেঙ্কিং বেদমিন্টন য়ু–১৫ এন্দ য়ু–১৭ দা মণিপুর মচা এন্দ্রিয়ু অমদি মহাক্কী মপাং উট্টরখন্দ মচা চয়ানজিৎনা অন্দর–১৭ বোইজ দবলসকী কাংলুপ্তা ব্রোঞ্জ লৌখ্রে।



এন্দ্রিয়ু লোটজেম অমদি চয়ানজিৎনা ক্বার্টর ফাইনেলদা কর্নাটাগী শান্নরোই নারেন অমদি শর্ম্মবু ষ্ট্রেট সেট ২১–১৮, ২১–১৬ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখিবনি। অদুবু টামিল নাদুগী এক্সপরিয়েন্স লৈরবা মারু গাপা অমদি শ্রায়াসনা সেমি ফাইনেলদা মায়থিবা পীরমদুনা এন্দ্রিয়ু অমদি চয়ানজিৎ ব্রোঞ্জ মেডল ফঙহৌখি।

# য়ুএসএ অমসুং কানাদা ব্রুমেন্স ৱার্ল্ড কপ ২০১৯গী ক্বালিফাইদ ওইখ্রে

ফ্রিস্কো (টেক্সাস), ওক্টোবর ১৫ঃ
মথং চহিদা ফ্রান্সনা য়ুম্ব ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ব্রুমেন্স ৱার্ল্ড কপতা শরুক য়ানবগীদমক য়ুএসএ অমসুং কানাদা ক্বালিফাইদ ওইখ্রে।



নোর্থ আমেরিকাগী টুর্নামেন্ট কোনকাকেফ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ুএসএ না জমাইকাবু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ৬–০ দা মায়থিবা পীদুনা ৱার্ল্ড কপ অসিগীদমক ক্বালিফাইদ ওইরকপা ঙম্বনি।

মেটচ অদু হেক হৌবদগী য়ুএসএ গী শান্নরোইশিংনা দোমিনেট তৌবা ঙমখি। অনীশুবা মিনটতা য়ুএসএকী শান্নরোই তোবিন হিথনা অহানবা পাঞ্জল চনখি। ১৫শুবা মিনটতা য়ুএসকী অতোপ্পা শান্নরোই মেগান রেপিনোনা পাঞ্জল অমগা চনদুনা ২–০ দা মাংজিল থাখি। শান্নবগী ২১ শুবা মিনটতা য়ুএসকী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক্ট অমদা জুলি ইর্তজ না পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা জমাইকাবু ৩–০ দা হেন দুনা চৎখি। ২৯ অমসুং ৩৩শুবা মিনটতা তোবিন হিথ অমসুং এলেক্স মোরগাননা পাঞ্জল অমমম চল্লগা ৫–০ দা হেনদুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফকী ৮৪শুবা মিনটতা য়ুএসনা ফঙখিবা পেনাল্টি অমা এলেক্স মোরগানা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা জমাইকাবু ৬–০ দা থোইরগা ৱার্ল্ড কপ অসিগীদমক ক্বালিফাইদ ওইরকপনি।

কোনকাকেফ ক্বালিফাইদ টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা কানাদানা পানামাবু পাঞ্জল ৭–০ দা থোইদুনা ফিফা ব্রুমেন্স ৱার্ল্ড কপ ২০১৯ গীদমক ক্বালিফাইদ ওইবা ঙমখি।

অহানবা হাল্ফ হেক শান্নবা হৌরকপদগী টিম অনীমক লম্বা মান্নখিবনা মিনট ৪০ হৌজিনখ্রবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা লৈনখিদে। ৪৪শুবা মিনটতা কানাদাগী শান্নরোই খৃষ্টিন সিনক্লেয়রনা অহানবা পাঞ্জল চনদুনা ১–০ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

৪৭শুবা মিনটতা কানাদাগী অতোপ্পা শান্নরোই জেসি ফ্লেমিংনা পাঞ্জল অমা চল্লবা মতুং ৪৯শুবা মিনটতা টিম মেট খৃষ্টিন সিনক্লেয়রনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা পানামাবু ৩–০ দা হেনদুনা লৈখি।

শান্নবগী ৫৮ অমসুং ৬৩শুবা মিনটতা জেনাইন বেক্কি অমসুং রেবেকা ক্বুইননা পাঞ্জল অমমম গা হাপচিন্দুনা কানাদানা পানাবু ৫–০ দা মাংজিল থাদুনা চৎখি।

শান্নবগী ৭৬ অমসুং ৭৮শুবা মিনটতা কানাদাগী অতোপ্পা শান্নরোই এন্দ্রিয়ানা লিওনা পাঞ্জল ২ চনশিন্দুনা মেটচ অদু ৭–০ দা মায় পাকখি।

# সোয়াম চিংলেম্বা ৱার্ল্ড তাইকুন্দো পুমসে চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়ানবা খল্লকপদা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ঃ
লাক্লিবা নভেম্বর ১৫ দগী ১৮ ফাওবা চাইনিজ তাইপৈদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড তাইকুন্দো পুমসে চেম্পিয়ন্সিপকী সেনিয়র অন্দর–৩০ কেতেগোরিদা ক্রিয়েটিব টাইকুন্দো ইন্সষ্টিট্যুট (সিটিআই) শগোলবন্দগী প্লেয়র ওইনা হৌখিবা হৌজিক্লা ইন্দিয়ান ইয়র ফোর্সতা লৈরিবা সোয়াম চিংলেম্বা সিংহ, অপোকপা এস চাওবা অমদি অপোকপী প্রোমিলা দেবী সেগা রোদ খ্বাইরকপম লৈকায়দা লৈবনা ইন্দিয়াগী ওইনা খল্লকপদা সিটিআই না নুংঙাইবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা চিংলেম্বনা শরুক য়াগদৌরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মণিপুরগীদা নত্তনা ইন্দিয়াগী মীংচৎ পুরকপা ওইরসনু হায়না সিটিআই গী সেক্রেটরী টিঐচ প্রেমচান্দ সিংহনা খঙহল্লক্লি।



# মিতাসি গী মনা ফঙলকখ্রবা শান্নরোইশিং তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ঃ
মৈতৈ ইন্দিজিস থাং–তা কলচরেল ইন্সষ্টিট্যুট (মিতাসি) কোংবা ক্ষেত্রি লৈকায়না শীন্দুনা ইন্সষ্টিট্যুট অসিগী হোলদা ডাঃ বি আর অম্বেদকর নেসনেল এৱার্দ ২০১৮ গী মনা ফঙলবা মুতুম হেরোজিৎ সিংহ সেক্রেটরী মিতাসি অমদি হন্দক পাঙথোকখিবা ৩৩ শুবা ষ্টেট লেভেল চৈবী চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ গী সব–জুনিয়র গার্লস কেতেগোরিদা গোল্ড মেডল ফঙলকখ্রবা মিলকি অথোকপম অমদি সিলভর মেডল ফঙলকখ্রবী মোইরাংথেম এলিকা চনুগা লোয়ননা শরুক য়ারুবা শান্নরোইশিং ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।



পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা বিষ্ণুপুর অর্বান কোর্পোরেটিব বেঙ্ক লিমিটেদকী চিফ এক্সিক্যুটিব ওফিসর এল কোরৌহনবা লুৱাংনা চিফ গেষ্ট , বামোন কম্পু গ্রাম পাঞ্চায়টকী এন রাবি সিংহনা প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা সিঐচ রন্বির সিংহ, কেঐচ সুরচন্দ্র সিংহ অমদি এস রাজেন শরুক য়াখি।

## পারি শাজৌ কন্টেষ্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ঃ
থা অসিগী ২২ দা থৌবাল দা লৈবা টেবল টেন্নিস হোলদা ৬শুবা সব–মিষ্টর পারি শাজৌ ২০১৮ কন্টেষ্ট পাঙথোক্লগনি। কন্টেষ্ট অসি লৈখিদ্রবা বোদি বিল্ডর এআর কেনেন সিংহগী মীংদা ওল মণিপুর বোদি বিল্ডর্স এসোসিয়েসন অমদি বোদি বিল্ডর্স এসোসিয়েসন ওফ থৌবালগা খুৎশম্নরগা রোয়েল ফিটনেস একাদেমী জিম থৌবালদা পাঙথোক্কদৌরিবনি। কন্টেষ্ট অসিদা ষ্টেট লেভেল জুনিয়র, সেনিয়র ওপন বোদি বিল্ডর্স অমদি ওপন থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ফিটনেস কন্টেষ্টকা লোয়ননা ওপন বেষ্ট পোসনরগী মনাসু লৈগনি হায়রি। কন্টেষ্ট অসি লমদম অসিদা লৈরিবা মশানা অসিবু থৱায় য়াওবা শান্নরোইশিংনা শরুক য়াবীদুনা কন্টেষ্ট অসিবু মপুং ফাহনবীয়ু হায়না রোয়েল ফিটনেস একাদেমী জিমগী সেক্রেটরীনা খঙহল্লক্লি।

## রেপিদ চেছ টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ঃ
কংলৈ চেছ একাদেমীনা শীন্দুনা থা অসিগী ১৩দগী চথরকখিবা ২১শুবা অন্দর ১৫ ওপন সেটরদে এন্দ সন্দে রেপিদ চেছ টুর্নামেন্ট ২০১৮ ফাইনেল রাউন্দদা নুংশিথোই ঙাইরংবমনা এসোস্মিট শর্ম্মবু মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রেঙ্কিং দা লৈখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা মাইবম য়োহেনবা খুমন, ক্ষেত্রিময়ুম আইমসন, খুয়ুমথেম পেত্রিক, এরোস্মিট শর্ম্ম, দায়ানন্দ থৌদাম, জালেস থৌদাম, তাখেল্লম্বম শ্যামসন, থোকচোম কারুনা, খুমন ইনতেন মাইবম, খুয়ুমথেম দাইনা, থোকচোম প্রিটি অমদি লনচেম্বী ঙাইরংবমনা মথংশিংনা অনীশুবা, অহুমশুবা, মরিশুবা, মঙাশুবা, তরুকশুবা, তরেৎশুবা, নিপালশুবা, মপনশুবা, তরাশুবা, ১০শুবা ,১১শুবা, ১২শুবা অমদি ১৩শুবা পোজিসন তাখ্রে।

## ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট য়ৈথোক্লে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ঃ
৩৪শুবা এন হাজারি অমদি ডাঃ এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৮ খুদোংচাদবা খরদগী মতম কক্তনা য়ৈথোক্লে হায়না মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসনগী ওর্গনাইজিং সেক্রেটরী টিঐচ চামাঙ্গিলাল না থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না খঙহল্লক্লি।

## ত্রাইয়েল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ঃ
লাক্লিবা নভেম্বর থাগী তাং ১৪দগী ১৮ ফাওবা মহারাষ্ট্রগী লোনরলদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনেল বেঞ্চপ্রেস (ইক্বুইপ এন্দ নন ইক্বুপ) সব–জুনিয়র, সেনিয়র, জুনিয়র অমদি মাষ্টর্স মেন এন্দ ব্রুমেন্স চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮–১৯ দা শরুক য়ানবগীদমক মণিপুর টিম শেম্নবগী ত্রাইয়েল সেলেক্সন লাক্লিবা থা অসিগী ২১ গী অয়ুক পুং ৮দা কৈশামথোং ইলাংবম লৈকায় কম্মুনিটি হোল (পিবিবিপিটিসি) দা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

ত্রাইয়েল সেলেক্সন অসিদা শরুক য়াগদবা লিফটরশিংনা মশা–মশাগী এজ প্রুপ / অধার কার্দ লোয়ননা জিমশিংগী সেক্রেটরী / প্রসিদেন্টগী সাইন লৌরক্কদবনি হায়না ওল মণিপুর পৱার লিফটিং এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরী এন জি থোইবনা খঙহল্লক্লি।

## ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল হৌরগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ঃ
৩০শুবা জুনিয়র বোইজ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ ফোর প্রাইভেট স্পোর্টস একাদেমী ত্রোফি লাক্লিবা থা অসিগী তাং ১৭কী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা আর্টিফিসিয়েল তর্ফ গ্রাউন্দ খুমন লম্পাক্তা দিএসএ, বিপিআর অমদি এসঐচদিএ টিম অনীনা লম্বা থেংনদুনা টুর্নামেন্ট অসি হৌদোক্লগনি।

# Hockey World Cup 2018 Schedule

| DATE | TIME | MATCH | FIXTURE |
|---|---|---|---|
| 28 November 2018 | 17:00 | Match 1 | Belgium vs Canada |
| | 19:00 | Match 2 | India vs South Africa |
| 29 November 2018 | 17:00 | Match 3 | Argentina vs Spain |
| | 19:00 | Match 4 | New Zealand vs France |
| 30 November 2018 | 17:00 | Match 5 | Australia vs Ireland |
| | 19:00 | Match 6 | England vs China |
| 1 December 2018 | 17:00 | Match 7 | Netherlands vs Malaysia |
| | 19:00 | Match 8 | Germany vs Pakistan |
| 2 December 2018 | 19:00 | Match 9 | Canada vs South Africa |
| | 19:00 | Match 10 | India vs Belgium |
| 3 December 2018 | 19:00 | Match 11 | Spain vs France |
| | 19:00 | Match 12 | New Zealand vs Argentina |
| 4 December 2018 | 19:00 | Match 13 | England vs Australia |
| | 19:00 | Match 14 | Ireland vs China |
| 5 December 2018 | 19:00 | Match 15 | Germany vs Netherlands |
| | 19:00 | Match 16 | Malaysia vs Pakistan |
| 6 December 2018 | 17:00 | Match 17 | Spain vs New Zealand |
| | 19:00 | Match 18 | Argentina vs France |
| 7 December 2018 | 17:00 | Match 19 | Australia vs China |
| | 19:00 | Match 20 | Ireland vs England |
| 8 December 2018 | 17:00 | Match 21 | Belgium vs South Africa |
| | 19:00 | Match 22 | Canada vs India |
| 9 December 2018 | 17:00 | Match 23 | Malaysia vs Germany |
| | 19:00 | Match 24 | Netherlands vs Pakistan |

## Second Round

### Playoffs

| | | | |
|---|---|---|---|
| 10 December 2018 | 16:45 | Match 25 | TBC vs TBC |
| | 19:00 | Match 26 | TBC vs TBC |
| 11 December 2018 | 16:45 | Match 27 | TBC vs TBC |
| | 19:00 | Match 28 | TBC vs TBC |

### Quarterfinals

| | | | |
|---|---|---|---|
| 12 December 2018 | 16:45 | Match 29 | 1st Qualifier: TBC vs TBC |
| | 19:00 | Match 30 | 2nd Qualifier: TBC vs TBC |
| 13 December 2018 | 16:45 | Match 31 | 3rd Qualifier: TBC vs TBC |
| | 19:00 | Match 32 | 4th Qualifier: TBC vs TBC |

### Semifinals

| | | | |
|---|---|---|---|
| 15 December 2018 | 16:00 | Match 33 | 1st Semi-final: TBC vs TBC |
| | 18:30 | Match 34 | 2nd Semi-final: TBC vs TBC |

### Third Place

| | | | |
|---|---|---|---|
| 16 December 2018 | 16:30 | Match 35 | 3rd Place: TBC vs TBC |

### Final

| | | | |
|---|---|---|---|
| 16 December 2018 | 19:00 | Match 36 | Final: TBC vs TBC |

# ইন্টর স্কুল স্পোর্টস এন্দ লিটরেরি মিট হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ঃ
নাগা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন চান্দেলনা শীন্দুনা মহা য়ুনিয়ন গভর্নমেন্ট হায়র সেকেন্দরী স্কুল গ্রাউন্দা প্রদাদ গোর্পাদে (কম্মান্দেন্ট ১৮ এআর চান্দেল এন্দ এলঐচ মোজেস, এআই জেৎ ই ও চান্দেলনা ইন্টর স্কুল স্পোর্টস এন্দ লিটরেরি মিটতা অথোইবা মীথুংলেনশিংনা ওইদুনা হৌদোকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফুটবোলগী অহানবা মেটচতা মহা য়ুনিয়ন গভর্নমেন্ট হায় স্কুলনা এসটি জোসেফ হায় স্কুলবু গোল ৫–৪ দা মায়থিবা পীখ্রে। অনীশুবা মেটচতা কোইনোনিয়া ত্রেনিং স্কুলনা য়ুনিয়ন মোদেল হায় স্কুলবু গোল ৩–২ দা মায়থিবা পীখ্রে। অহুমশুবা মেটচতা মহা য়ুনিয়ন গভর্নমেন্ট হায়র সেক্রেটরী স্কুলনা এসটি জোসেফ হায়র সেকেন্দরী স্কুলবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখ্রে। মরিশুবা মেটচতা এসইএম হায়র সেকেন্দরী স্কুলনা এমজি ইভরগ্রিন হায়র সেকেন্দরী স্কুলবু ৱাক্ক ওভরদা মায়থিবা পীখ্রে।



**Manipur Handloom & Handicrafts Development Corporation Ltd.**

(A Government of Manipur Enterprise)
Governor Road, Paona Bazar, Imphal 795 001, Telephone : 0385-2442381

ADVERTISEMENT
Imphal, the 12th October, 2018

**Subject: Use of Shops exclusively for Handlooms & Textiles Products**

REQUEST FOR PROPOSAL (RFP)

No. MHHDC-22/SC(PB)/2016: Applications are hereby invited from weaver, artisans, society, handloom & textile entrepreneurs or enterprises for selection of shop operators for using 5 (Five) shops including a shop for garment & stitching in the Governor Road side at Manipur Handloom & Handicrafts Development Corporation Ltd on paqyment and **"AS IS WHERE IS"** basis.

2.0: Detailed of Terms & Conditions along with application form of bid document may be had from the Manipur Handloom & Handicrafts Development Corporation Ltd., Paona Bazar, Imphal or www.mhhdcl.com

Date of Invitation : 12-10-2018
Last date and place for submission of RFP : 27-10-2018 at Corporation Office
Date, Time Place for evaluation of Bid: : 29-10-2018 at 10:00 a.m. Corporation
Telephone No. :1800 212 0403 or 0385 2442 381
Website: www.mhhdcl.com and Email: mhhdcl@gmail.com

SL/BILLDIPR/16

(K. Lamlee Kamei)
Managing Director

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*